# দি এম রাওনা মুভান লাই মায়থীবা পীদুনা ব্রিন্নরস কপকী চেম্পিয়ন ওইখ্রে

## দি এম রাও অমসুং মুভান লাই এথলেটিক ক্লবনা মণিপুর ষ্টেট লীগতা য়াওরগনি



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ ঃ

ববিনা হেলথ ক্যের অমসুং হোস্পিটালিটি প্রাইভেট লিমিটেদকী স্পোন্সর মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না শিন্দুনা হোম এন্দ অৱে বেসিসতা চথ্থরকখিবা থাংজম বিরচন্দ্র-মাইপাকপী মেমোরিএল ২১ শুবা ব্রিন্নর্স কপ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা দিমাপুর রোদ এথলেটিক ওর্গেনাইজেসন (দি এম রাও) অৱাং সেকমাইনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) অমসুং দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন (দি এফ এ) গী টোপ টিমশিংনা শরুক য়াদুনা চথ্থরকখিবা ব্রিন্নরস কপকী ঙসি খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা দি এম রাও অৱাং সেকমাইনা মুভান লাই এথলেটিক ক্লব সদর হিলস গোল ৪-৩ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

ব্রিন্নরস কপকী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা দি এম রাও অৱাং সেকমাইদা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ৫০ গী শেলগী মনা পীখি। রন্নর্স-অপ তাহৌরবা মুভান লাই এথলেটিক ক্লবতা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশীং ৩০ গী শেলগী মনা পীখি।

ব্রিন্নরস কপকী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা দি এম রাও অৱাং সেকমাই অমসুং রন্নর্স-অপ তাহৌরবা মুভান লাই মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগতা শরুক য়ারগনি।

দি এম রাও অমসুং মুভান লাই এথলেটিক ক্লবনা লমদমসিগী খ্বাইদগী চাওবা লীগ অমা ওইরিবা মণিপুর ষ্টেট লীগতা অহানবা ওইনা য়াওবা ফংলগনি। ১১ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগতা ১১ শুবা পোজিসন তাখিবা য়ু এস এ অমসুং ১২ শুবা পোজিসন তাখ্রবা ক্রুগপু নম্বোল লীগতগী রিলিগেট তৌখিবগা লোয়ননা টিম অনী অসিগী মহুত্তা মুভান লাই এথলেটিক ক্লব অমসুং দি এম রাওনা মহুৎ শিনগদৌরিবনি।

ঙসি শান্নখিবা ব্রিন্নরস কপকী ফাইনেল মেচ অদুদা দি এম রাও অমসুং মুভান লাইগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা মেচ অদুগী অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অনীনা গোল অমমম চন্নখি।

য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইনা শান্নখিবা মেচ অদুগী অঙনবা মতম ৯ শুবা মিনিটতা মুভান লাই এথলেটিক ক্লবকী দেবিদ মাংবোই লুংনা গোল একাউন্ট হাংদোকখি। মুভান লাই এথলেটিক ক্লবনা গোল অমা মাঙজিল থানা লৈখ্রবা মতুং মেচ অদুগী ৪১ শুবা মিনিটতা দি এম রাওগী ৱুংগ্রাম চেম্পনা গোল ইক্বেলাইজ তৌখি।

টিম অনীমক্না গোল ১/১ চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং মেচ অদুগী হাফ মতুংদা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা লাল্লোং কয়া তৌদুনা অমনা অমগী মায়কৈদা অকনবা এটেক কয়া চথ্নরকখি। মেচ অদুগী ৬২ শুবা মিনিটতা মুভান লাই এথলেটিক ক্লবকী টিঙ্কি ভেট হাওকিপনা টিমগী অনীশুবা গোল চনখি।

মুভান লাই এথলেটিক ক্লবকী অনীশুবা গোল চনখিবা মতুং ইকান কান্নদনা মেচ অদুগী ৬৬ শুবা মিনিটতা জামখোলেন হাওকিপনা টিমদুগী অহুমশুবা গোল চনখি। মুভান লাই এথলেটিক ক্লবনা দি এম রাওদগী গোল অনী মাঙজিল থানা লৈখ্রবা মতুং গোল শোথরিবা দি এম রাওগী শান্নরোয়শিংনা থৌনা হনবা লৈতনা য়াম্না কন্না শান্নরকপনা মেচ অদুগী ৭৯ শুবা মিনিটতা ৱাই সুসিল কুমারনা টিমদুগী অনীশুবা গোল চনখি।

মেচ অদুগী ৮২ শুবা মিনিটতা খঙ্গাথা তুংশাং নাওনা টিমগী অহুমশুবা গোল চন্দুনা মায়কৈ অনীমক গোল ৩/৩ চন্নদুনা লৈখি। মেচ লোইগদবা মতম খরদমক ঙাইশিল্লকখিবগা লোয়ননা মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা অহেনবা গোল চন্নবা য়াম্না কন্না শান্নখি।

মেচ অদুগী এদেদ টাইম ওইনা রেফ্রিনা মিনিট ৫ হাপখি। এদেদ টাইম অদুগী অরোইবা মিৎকুপ্তা দি এম রাওগী ৱাই সুসিলকুমারনা কাওরকপা কোর্নর কিক অমদা টিমদুগী মায় পাকপগী গোল চনখি।

# কেন্দিদেট ১৩৮ বেত্রি ওফ টেষ্টতা মায় পাক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ ঃ সাই এস এ জিদা লৈননবা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংগী শান্নরোয় লৌনবগী পাঙথোকখিবা বেত্রি ওফ টেষ্টকী চাংয়েংদা কেন্দিদেট ১৩৮ মায় পাক্লে হায়না সাই এস এ জি সেন্টর ইন চার্জ এল ইবোমচানা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

হৌখিবা নবেম্বর ৩ দগী ৫ ফাওবা পাঙথোকখিবা বেত্রি ওফ টেষ্ট অদুদা মায় পাক্লবা কেন্দিদেট ১৩৮ না দিসেম্বর ৫ ফাওবগী মমাঙদা ওফিস অৱার মতমদা লাক্তুনা মখা তাবা টেষ্টকীদমক রিপোর্ট তৌগদবনি হায়রি।

# এইম অমসুং নেরোকা এফ সীনা ঙসি মণিপুর ষ্টেট লীগকী ফাইনেল শান্নরগনি

## এইমগী মেনেজর রঘুমনি ফাইনেল মেচ য়াওদনবা সস্পেন্দ তৌখ্রে

ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ ঃ

লমদমসিগী খ্বাইদগী চাউবা লীগ অমা ওইরিবা ১১ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ফাইনেল হয়েং নুংথিল পুং ১.৩০ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা অনৌবা ইমাগী মঙাল (এইম) খাবম অমসুং নেরোকা এফ সী শঙাকফম অনীনা শান্নরগনি।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা চথ্থরকখিবা ১১শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী চেম্পিয়ন কনানা ওইগদগে হায়না মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইরকপা অদু হয়েং এইম অমসুং নেরোকা এফ সী অনীনা শান্নগদৌরিবা মেচ অসিনা লাইবক লেপ্লগনি। ষ্টেট লীগ অসিগী চেম্পিয়ন ওইনমগীদমক নেরোকা এফ সী অমসুং এইম খাবমগী শান্নরোয়শিংনা লাল্লোং কয়া তৌদুনা শেম শাবা পূম্নমক লোইনখ্রে।

হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ফাইনেল মেচ অসিদা লাইবক থিবা অমদা এইম খাবমগী টিম মেনেজর এন রঘুমনি য়াওদনবগীদমক ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশন্না সস্পেন্দ তৌখ্রে।

নীংশিংবা য়াই, এইমগী টিম মেনেজর এন রঘুমনিনা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ৭৯ শুবা মেচ ওইনা হৌখিবা তাং ২৩ দা নাকো নম্বুল মপান অমসুং এইম অনীনা শান্নখিবা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা এন রঘুমনিনা ফিল্ড/টেক্নিকেল এরিয়াদা মেচকী ৭৮ শুবা মিনিটতা চঙদুনা রেফ্রিগী দিসিজন্দা প্রোটেষ্ট অমদি চেলেঞ্জ তৌখিবগীদমক সেন্তর রেফ্রিনা মহাকপু বেঞ্চতগী তান্থোকখিবনি। মরম অদুনা অস্ফাগী দিসিপ্লিনরি কোর্টকী মতুং ইন্না এন রঘুমনি এইমগী মথংগী মেচ য়াওদনবা সস্পেন্দ তৌখিবনি।




# মণিপুরগী নুপী বোক্সর ১০ গী মনুংদা সরজুবালা মতোমতমক গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ২৪ :

ৱর্ল্ড ৱিমেন বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী সিলভর মেদলিষ্ট শমচেৎশাবম সরজুবালানা হরিদ্বারদা চথ্থরিবা নেসনল ৱিমেন'স বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৬ কী কেজি ৪৮ গী কাঙলুপ্তা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখ্রে।

নেসনল ৱিমেন'স বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ অদুদা মণিপুরগী মহুৎ শিন দুনা হৈশিংলবা নুপী বোক্সর ১০ না শরুক য়াখিবা অদুদা শমচেৎশাবম সরজুবালা মতোমতমক গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী অতোপ্পা নুপী বোক্সরশিংসু ফজবা পার্ফোমেন্স পীরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা থমখিবনি। অদুবু সরজুবালা নত্তনা অতোপ্পা শান্নরোয় অমত্তা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিদবা অসি লমদমসিগী অচৌবা নীংবা কায়বা অমনি।

চেম্পিয়নশিপ অদুগী ঙসি পাঙথোকখিবা সরজুবালাগী ফাইনেল বাউট অদুদা য়ূম্বু ওইরিবা উত্তরখণ্ডগী কৃষ্ণ থাপাবু অনোনিমস দিসিজন্দা পোইন্ট ৩-০ দা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি।

চেম্পিয়নশিপ অদুদা সরজুবালানা হৌবদগী হৌনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা মহাক্কী ওপোনেন্টশিংবু য়াম্না লাকচনা মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্লকখিবনি। শমচেৎশাবম সরজুবালানা সেমী ফাইনেলদা রেলৱেজগী রাজেস নরৱালবু অনোনিমস দিসিজন্দা পোইন্ট ৫-০ দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙলকখিবনি। শমচেৎশাবম সরজুবালানা ক্বার্টর ফাইনেলদা দেল্লিগী পুজা টোকাসপু ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা সেমী ফাইনেল চঙলকখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াদা মতম শাংনা বোক্সিংগী পেরেন্ট বোদি অমা লৈতনা লাকখিবা অদু হন্দক্তা মীখল পাঙথোক্তুনা অনৌবা থৌ পুবশিং খল্লবা মতুং অহানবা ওইনা পাঙথোকপা নুপীগী চেম্পিয়নশিপসু ওইরিবনি।

loan pijari LOAN AVAILABLE loan pijari

1. Vehicle loan (2wheeler/3wheeler/4wheeler etc....)
2. Business loan [Rs.10,000 to Rs.10 Lakhs (12% P.A)]
3. Self Help Group (S.H.G) loan [Rs.10,000 to Rs.10 Lakhs (12% P.A)]
4. Pension loan (1.5%, 2%, 2.5%&3% P.M)
5. Gold loan (1.5% to 2.5% P.M)
6. Electronics loan (T.V, Laptop, Xerox Machine, Washing Machine, etc...)
7. Machinery loan (Flex machine, Iron soldering machine, Water pump, etc....)

কনাগুম্বা মীওইশিং অমসুং L.G. MOTORS গী LOANEE শিংগী ওইনসু পৈশা শানদোকপা (পুথোকপা) দসু য়াম্না কানরবা FACILITIES পীজরি।


Please contact:- L.G. MOTORS
& Development Organisation For Socio-Economic In Rural Area(DOFSIRA)
Office Hour: 10.00am-04:00pm KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI(H.Q),IMPHAL
Branches:- SEKMAI KOUJENGLEIMA,THOUBAL OKRAM, SAMUROU NEAR MACHU HALL, NAMBOL LAMBAN,MOIRANG PATLOU,KAKCHING OPP. ELECTRICITY OFFICE.
HL-B/3347/21,23,25.....










Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com